**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-10.2024)**

**পিএম(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা লুপা কোতি ১৬ চংনা শাগদবা ক্রিটিকেল কেয়ার ব্লোক ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা উরেপ উযুং তমখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদদা পাঙথোকপা ৯ শুবা আয়ুরবেদাগী নুমিৎ অমসুং দনবানতরি জয়েন্তি থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি আয়ুসমান ভারত ইনফ্রাষ্ট্রকচর মীসনগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ১২,৮৫০ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা হকশেলগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখি, খরগীনা উরেপ উযুং তমখি। মসিগী মনুং চন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী নৌনা শাগদবা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক য়াওখি।

অমরোমদা, পি.এম-অবিমগী মখাদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা হেলথ কেয়ার প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাবা অমদি খরনা উরেপ উযুং তম্বগী থৌরম অদু মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুর অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতিনা পুন্না শিনদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি চহি ৪০ রোমগী মমাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলম্লবদি থোক্লমদবসু য়াই।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা লম লৈবা য়োনবগী থবকশিং হৌজিক্তি কেবিনেট সব-কমিতিগী অয়াবা য়াওদ্রবদি য়াহন্দ্রে। লম লৈগদৌরিবা মীওই অদু ১৯৬১ গী মমাংদগী লৈরক্লবা মীওইরা হায়বনচিংবা অকুপ্পা ৱারোলশিং নীংথিনা খঙদোক্লবা মতুংদা লম-লৈবা য়োনবগী অয়াবা পীরে। সরকারনা পায়খৎলিবা

থৌরাং অসি য়েলহৌমীশিং অমদি তুংগী মীরোল কন্ননবনি। মহাকা হায়-ঙসিগী মীরোল কলহৌদনা তুংগী মীরোল কনবা ঙমলোই। মতম মতমগী য়ান-য়ানবা থবক তৌরম্বা অমদি রাজনিতিগী খুদোংচাবা অদুখক য়েংলগা থবক তৌনরম্বনা ঙসিগী অৱাবা অসি মায়োকবনি।

শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারনা মশক খঙলবা ত্রাইবশিং য়েলহৌমী ঙাক্তনি। মসি নত্তবা মপানদগী চংশিল্লকপা খুদিংমক লমদমসিগী মীওইনি হায়য়ু হায়বদি সরকারনা য়াবা ঙমলোই। সরকার অসিনা মীয়ামগী মীচৈ কয়া খাঙদুনা লৈরিবা অসি তুংগী মীরোল কন্ননবগীদমক্তনি। সরকার অসিনা লৈরিবা কাংলুপ-ফুরুপশিং অমত্তগী মায়োক্তা থবক তৌখিবা লৈতে।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা মীয়ামগী হকশেল ফগৎহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। চীংগী ওইনা চুরাচান্দপুর জিলাদা মেদিকেল কলেজ অমা লিংখৎখিবা লৈরে। জিলা খুদিংমক্কী মেদিকেল কলেজ লিংখৎপা ঙমদ্রবসু মরম চাবা মফমশিংদা মেদিকেল কলেজ লিংখৎনবা সরকারনা হোৎনরি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি মেদিকেল কলেজ ওনখৎনবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী চহি ৭০ গী মথক্তা লৈরবা অহলশিংসু হকশেলগী ভারত আয়ুসমান কার্ড পীননবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মমাংদা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। রাজ্য অসিদসু খুদোংচাবা অসি অথুবা মতমদা পীননবা হোৎনরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা-হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন, ৱাক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগো, এম.এল.এশিং, ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**ভোটর (এল)ঃ** মনিপুরগী বিধান সভা কেন্দ্র ৬০ মক্কী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংখ্রে। পুন্না ভোটর লাখ ২০ লিশিং ৩৪,৬৬০ শুরে।

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার-প্রদিপ কুমার ঝানা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসি ফোংখিবা দ্রাফট ইলেক্টোরেল রোল অসি য়েংনিংবা অমদি শেমদোকিংবা ভোটরশিং অমদি রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংনা মরী লৈনবা ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিংগী ওফিসতা লাক্তুনা য়েংলবা য়াগনি। অনৌবা ইলেক্টোরেল রোল অসিগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং লাখ ২০ লিশিং ৩৪,৬৬০ শুরে। মমাংদা ফোংখিবা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলগী ভোটর মশিংদগী হন্দক্কী অসিদা ভোটর লিশিং ৮,০৩৭ হেনগৎলে।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-মথং চহিগী জানুৱারী অমদা ক্বালিফাইয়িং দেট ওইরগা স্পিসিয়েল সমরি রিভিজন ঙসিদগী হৌরে। ঙসিদগী পারগা মথং থাগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা মীয়ামনা ইলেক্টোরেল রোল অসিগী মতাংদা ৱাকৎলকপা য়াগনি। মথং থাগী ৯, ১০, ২৩ অমসুং ২৪ দা স্পিসিএল কেম্পেইন পাঙথোক্কনি। মতম অসিগী মনুংদা মীয়ামনা মখোয়গী মমিং ভোটর লিষ্টতা হাপ্পা, লৌথোকপা, মিং শেমদোক শেমজিন তৌবনচিংবা য়াগনি।

ঙসিগী দ্রাফট ইলেক্টোরেল রোল ফোংবগী থৌরম অদুদা 'ঐখোয় ভোটর চল্লসি' হায়বা ৱাখল্লোনদা স্পিসিয়েল সমরি রিভজন-২০২৫ গী স্বিপ কেম্পেইন অমা সি.ই.ও. মনিপুর-প্রদিপ কুমার ঝানা হৌদোকখি। নহা ওইরিবশিংদা ভোটর চলহন্নবগী পাউজেল পুবা মোবাইল ভেনশিংসু সি.ই.ওনা লমফেলপাৎতা লৈবা সি.ই.ও. ওফিসতগী লমথাখি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিত তিনিংফম মোনশাংনা হায়রি-ইমুং অমদি ফুরুপ খুদিংমক চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংদা হেন্না শক্তি পীবা তঙাইফদে।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী মীৎয়েং মখাদা 'ইম্পৱারিং ৱিমেনঃ কম্বেটিং সবসটেন্স এব্যুস ইন মনিপুর'

ৱাখল্লোনগী মখাদা ঙসি দি.এম. কলেজ ওফ টিচরস এদুকেসনগী জল্লি হোলদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি তিনিংফমনা হায়-নুপীশিং অসি ইমুং খুদিংমক্কী য়াংলেন শরূ ওইরিবনি অমদি মখোয়না খুন্নাই অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। খুন্নাই অসিদগী নিশা মরু ফংনা মাঙহনখিনবা হোৎনবদা কম্মিসন অসিগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। য়ু থকপা অমদি দ্রগ লান্না শিজিন্নবা অসি মীয়ামনা থেংনরিবা অচৌবা সমস্যা অমা ওইরি।

মহাকা হায়-খুন্নাই অসি কন্ননবা নহাশিংবু দ্রগতগী লাপথোকহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই।

**নোনে (এল)ঃ** জ্বিনাইল জষ্টিস এক্ট-২০১৫, পোক্সো এক্ট-২০১২ অমসুং প্রোহিভিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট-২০০৬ কী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী এন.জি. মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: চন্দ্র অরোজ, নুঙবাগী এস.দি.পি.ও-সৈখ মোহমদ হুসেন, নোনে জিলাগী চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটকী প্রোটেক্সন ওফিসার-পানমৈ কখুরাননচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। লোয়নননা অখঙ অহে কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লিয়াংমাই ফুরুপকী চগা-ঙি কুম্মৈগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী অৱাংবৌনা হায়-কুম্মৈ অসি লিয়াংমাই ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং মরুওইবা কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসিনা রাজ্য অসিদা হেন্না নুংঙাই য়াইফবা অমদি শান্তি পুরকপা ওইরসনু।

**মেলা (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ফিসরিজনা শিনদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা রাজ্য থাক্কী ফিস ফেয়ার কম্পিটিসন-২০২৪, মথং থাগী অনিদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি। অথোই অহেন তান্নবা অসিদা খ্বাইদগী ঙা চাং য়ামা পুথোকপা ঙামীদা অহানবা মনা ওইনা লুপা লাখ অমা, অনিশুবদা লুপা লিশিং ৭০, অহুমশুবদা লিশিং ৫০ পীগনি হায়রি।

**সিআরপি (এল)ঃ** সি.আর.পি.এফ. গ্রুপ সেন্টর-লাংজিংনা শিনদুনা সরদার ভালাবাই পতেলগী মপোক নুমিৎপু নীংশিংদুনা রাস্ত্রিয়া এক্তা দিবস (নেসেনল য়ুনিতি ডে) গী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সি.আর.পি.এফ. মনিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী আই.জি.পি. ডা: ভিপুল কুমারনা অপুনবগী ৱাশক লৌখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ভিপুলনা হায়-অপুনবা ভারত অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সরদার ভালাবাই পতেলবু নীংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। থৌরমদুগা মরী লৈননা রন ফোর য়ুনিতিগী লমজেল অমসু পাঙথোকখি।

**ইনক্বারি (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাউরৈবী ময়াই লৈকাইদগী লুখ্রাবী মমা-মচা লৈখিদবগী থৌদোক অদু মেজিষ্ট্রিয়েল ইনক্বারি তৌদুনা থিগৎলগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙসি চেরোল অমা থোকখ্রে।

**ৱাকৎ(এল)ঃ** ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতা ঙরাং বোম অমা থমজিল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি কলেজ অসিগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংনা কলেজ অসিগী গেট মমাংদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

খোঙজং অদুদা মহৈরোইশিংদা অকি অখঙ পীবা য়ানিংদে। মহৈশঙশিংবু ফ্রি জোন ওইহল্লু হায়বা প্লে কার্ডনচিংবা পায়দুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

**বোম্বুলা (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী য়েংলগা লাক্কদৌরিবা দিৱালি কুম্মৈগা মরী লৈননা তমেংলোং জিলাদা মীয়ামনা বোম্বুলা থাবদা অথিংবা থমখ্রে।

মসিগী মতাংদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-ডা: এল. অংশিম দংস্বানা ঙসি চেরোল অমা থোকখ্রে।

**চাউরেল (এল)ঃ** ইরেংবম চাউরেল মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিনদুনা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাকপদা য়েলহৌমীশিংনা লৌগদবা থৌদাং হায়বা হীরম অসিগী মতাংদা থা অসিগী ২০ দা পাঙথোকখিবা রাচনা ইবা চাংদমবগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

অথোই অহেন তান্নবা অদুদা কেটেগোরি (এ) গী ওইনা দোনস্কো হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই-মহানন্দা নিংঙোম্বম, কেটেগোরি (বি) গী ওইনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোই-য়ুমাম লৈশেম্বনা অহানবা তাখ্রে।

**ঠিকা (এল)ঃ** ওল মনিপুর কন্ত্রেক্তর এসোসিয়েসন ফোরমনা মখোয়গী পন্দুনা লৈরিবা বিলশিং লাক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা মমাংদা থাদোকপীনবা দাবী তৌরক্লি।

চেরোল অমদা ফোরম অসিনা হায়-পি.ডব্লিয়ু.ডিগী মখাদা রাজ্য অসিগী লম্বী থোং অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা কন্ত্রেক্তরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা কন্ত্রেক্তরশিংদা চাউনা অৱাবা মায়োকরি।

**পিএমঃ** লৈবাক অসিগী সরকারগী বিভাগশিংদা নৌনা থবক খল্লবা নহা লিশিং ৫১ হেনবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি এপোইন্টমেন্ট লেত্তর য়েন্থোকখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা এপোইন্টমেন্ট লেত্তর য়েন্থোকপগী

থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী নহাশিংদা সরকারগী থবক পীবা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি। লৈবাক অসিগী নহাশিংবু থবক ফংহন্নবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-এপোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং অদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা য়েন্থোকবগীদমক লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৪০ দা 'রোজগার মেলা' পাঙথোকখি।

**মীখলঃ** ঝরখন্দগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী বিধান সভা মীখলগী মীরেপ চে পীশিনবা ঙসি লোয়খ্রে। হয়েং স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী অমনি। মীখল মথং থাগী ২০ দা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ দা পাঙথোক্কনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল নবেম্বর ১৩ দা পাঙথোক্কনি। মীখল অসিদা পুন্না মীরেপ ৭৪৩ না লম্বী তৌনগনি।

**কাশ্মিরঃ** জম্মু কাশ্মিরদা হন্দক্তা তেরর এট্টেক চত্থখ্রবা মতুংদা লান্মীনা রাজোরি অমসুং পুঞ্চ জিলাশিংগী উমংশিংদা ঙাকশেল অমসুং পেট্রোল্লিং চৎপগী থবক কনখৎলক্লি।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়-হৌখিবা চয়োল অনি অসিদা মফম অদুদা তরেৎলক এট্টেক চত্থরকখি। মীওই ১৩ শিখি। মদুগী মনুংদা লান্মী অনি য়াওখি। লান্মীনা হৌজিক এরিয়া দোমিনেসন পাক শন্না চত্থরি। লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ড্রোননচিংবা শিজিন্নদুনা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপ্রা হায়বদু কুপা য়েংশিল্লি। জিলাশিং অদুগী উমংগী শরুক্তা পাক শন্না ওপরেসন চত্থরি।

**বেদমিন্টন (এল)ঃ** নুমিৎ নিনি চথুরকপা অহুমশুবা দি.এম.য়ু. ইন্টর কলেজ বেদমিন্টন মেন এন্দ ৱিমেন টুর্নামেন্ট-২০২৪ ঙসি দি.এম.য়ু. কেম্পসতা লৈবা মনিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী হোলদা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

দি.এম.য়ুনিয়মসিতিগী মখাদা লৈবা ক্লস্তর কলেজশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা নুপাগীদা দি.এম.য়ু. (পি.জি) না দি.এম. (আর্টস) পু পাঞ্জল ৩-০ দা, নুপীগীদনা দি.এম (সাইন্স) না দি.এম. (আর্টস) পু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** খা মনিপুর কলেজ ককচিংনা শিনদুনা কলেজ অসিদা চথুরিবা প্রতাব সিংহ মেমোরিয়েল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টরকলেজ ফুটবোল টুর্নামেন টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা-খা মনিপুর কলেজনা সি.আই. কলেজবু পাঞ্জল ২-০ দা, নাউরেম বিরাহরি কলেজনা বিরমঙ্গোল কলেজপু পাঞ্জল ৪-২, কে.পি. কলেজনা রিজনেল কলেজবু পাঞ্জল ৩-০ অদুগা ককচিং খুনৌ কলেজনা মাঙ্গোলঙানবী কলেজবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**কাং(এল)ঃ** ৱালিদা-ৱাবগাই কাংশঙদা চথুরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই. মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা নম্বোল কাংখুৎনা লাংমৈদোং কাংখুৎপু পাঞ্জল ১১-৩ দা থোইখ্রে।

**হোক্কী ঃ** ৱিমেনস এসিয়ন চেম্পিয়নস ট্রোফি ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা মেম্বর ১৮ গী টিম হোক্কী ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে। টোরনামেন্ট অসি বিহারগী রাজগির হোক্কী ষ্টেদিয়মদা মথং থাগী ১১ দগী ২০ ফাওবা চথগবনি। ভারতকী টিম অসি মিটফিল্ডর সালিমা তেতেনা লূচিংগনি অদুগা নবনিট কোরনা ভাইস কেপ্তেন ওইগনি। ভারতকী অহানবা মেটচ মালেসিয়াগা শান্নগনি।